৩৯শুবা ষ্টেট এজ গ্রুপ এথলেটিক চেম্পিয়নশিপ ২০১৯

# নুপামচাগী চহী ১৬ মখাগী লোঙ জম্পতা কে এন এস এ এ য়ুনিটকী এস বিকিসনন‌া অহানবা পোজিসন তাখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচএনএস): এথলেটিক এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ৩৯শুবা ষ্টেট এজ গ্রুপ এথলেটিক চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী চহী ১৬ মখাগী লোঙ জম্পতা কে এনএসএএ য়ুনিটকী এস বিকিসনন‌া অহানবা পোজিসন তাখ্রে।



৩৯শুবা ষ্টেট এজগ্রুপ এথলেটিক চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা নুপীমচাগী চহী ১৪ মখাগী লোঙ জম্পতা আর এ য়ু য়ুনিটকী এ অঞ্জিতানা অহানবা, ঐচএ য়ু য়ুনিটকী এ কলপনানা অনীশুবা অমদি দব্লিয়ু এস সী য়ুনিটকী এস অনুস্কানা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী নুপামচাগী চহী ১৬ মখাগী ইভেন্টতা কে এন এস এ এ য়ুনিটকী এস বিকিসনন‌া অহানবা, পি আর এস সী য়ুনিটকী ঐচ জেনিটনা অনীশুবা অদুগা এম এস সী য়ুনিটকী মার্টিননা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে। নুপীমচাগী চহী ১৮ মখাগী ইভেন্টতা পি আর এস সী য়ুনিটকী শিক্সা সোলানকিনা অহানবা, এফ য়ু সী য়ুনিটকী এম বিন্দিয়ানা অনীশুবা অদুগা ঐচ এ য়ু য়ুনিটকী এল অঞ্জলিনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপীমচাগী চহী ২০ মখাগী লোঙ জম্প ইভেন্টতা পি আর এস সী য়ুনিটকী শমীকেহানা অহানবা, ঐচএ য়ু য়ুনিটকী টি ঐচ অনধাবাতিনা অনীশুবা অদুগা আর এ য়ু য়ুনিটকী অকানশা কেশৱারিনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। নুপামচাগী চহী ১৪ মখাগীদা এস এ য়ুনিটকী এম দি অসলাম খাননা অহানবা, কে এন এস এ এগী এন উমাকান্তনা অনীশুবা অদুগা ঐচ এ য়ুগী কে ঐচ কবিনা অহুমশুবা তাখি। নুপামচাগী চহী ১৮ মখাগীদা সাই আর সীগী এল মঙানম্ননা অহানবা, ঐচৱাইসীগী এল শ্যামকিশ্বরনা অনীশুবা অদুগা আর এ য়ুগী কে সুরচন্দ্রনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপামচাগী চহী ২০গীদা পি আর এস সীগী খাসিম শরিফনা অহানবা, আইদিএল ক্লবকী কে বোরিশনা অনীশুবা অদুগা এল এস এগী এম দি জয় খাননা অহুমশুবা তাখি।

মেন্সকীদা এম পি এস সী য়ুনিটকী কে রামেসচন্দ্রনা অহানবা, কে এন এস এ এ য়ুনিটকী লেটজাকাইনা অনীশুবা অদুগা এম পি এস সীগী টি ঐচ রোসন্না অহুমশুবা তাখি।

নুপামচাগী চহী ১৬ মখাগী হেমরদা কে এন এস এ এ য়ুনিটকী ও রোমেশনা অহানবা, কে এন এস এ এ য়ুনিটকী জোনসন নাওরেমনা অনীশুবা অদুগা ঐচ এ য়ুগী এস ঐচ এরিশনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। চহী ২০ মখাগীদা কে এন এস এ এগী এম সন্তোশনা অহানবা, ঐচ এ য়ুগী কে ঐচ রোবিসনানা অনীশুবা, ঐচ এ য়ুগী এম বিপিননা অহুমশুবা তাখি। মেন্সকীদা এম পি এস সীগী এস মাইপাকস্নানা অহানবা, কে এন এস এ এগী এস সনাজাওবনা অনীশুবা অদুগা ঐচ এ য়ুগী এ উতম্না অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ৱিমেন্সকীদা এম পি এস সী য়ুনিটকী এস লক্সমি চনুনা অহানবা, কে এন এস এ এগী এন ইচনতোম্বীনা অনীশুবা অদুগা এম এস সীগী এম অরুনদাতিনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপামচাগী চহী ১৬ মখাগী মিটর ৪০০গী লমজেলদা ঐচ এ য়ুগী আর কে দয়ানন্দনা অহানবা, কে অনিলনা অনীশুবা, এস আর ও ৱাই য়ুনিটকী মঞ্জু হৈস্নামনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। নুপামচাগী চহী ২০ মখাগী মিটর ৪০০গীদা সী ঐচ চেঙখুইনা অহানবা, ও সনাজাওবনা অনীশুবা অদুগা এম মিলনকুমারনা অহুমশুবা তাখি।

মেন্সকী মিটর ৪০০গী রেসতা এম অলকেননা অহানবা, কোনুংজাওনা অনীশুবা অদুগা ছচকুমার য়াদবনা অহুমশুবা তাখি। চহী ২০ মখাগী নুপীমচাগী মিটর ৪০০গী রেসতা অরয়া প্রাসননা অহানবা অদুগা শমীকশানা অনীশুবা তাখি।

নুপীমচাগী চহী ১৬ মখাগী ত্রাইথলোন্দা অবীয়াই চনুনা অহানবা, ৱাই অশংবীনা অনীশুবা অদুগা এন জি দেভিয়ানা অহুমশুবা তাখি। নুপামচাগী চহী ১৬কীদা এম দি বাদরউদ্দিননা অহানবা, এন ধরমেন্দ্রনা অনীশুবা অদুগা টি ঐচ সদানন্দনা অহুমশুবা তাখি।

অহানবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ

# কেডেট বোইজতা কে কেনেনা অহানবা তাখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফেন্সিং এসোসিএসন্না শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী ওদিটোরিয়ম হোলদা ঙসিদগী হৌদুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী অহৌবা নুমিৎকী কেদেট বোইজস ঈপী ইভেন্টতা এস এল এল সী য়ুনিটকী কে কেনেনা অহানবা পোজিসন তাখ্রে।

তোঙান তোঙানবা য়ুনিট ৯গী নুপামচা ৫৩ অমসুং নুপীমচা ৩৫ পূন্না শান্নরোয় ৪৪না শরুক য়াদুনা চথরিবা অহানবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা কেদেট বোইজ ঈপী ইভেন্টতা এস এল এল সী য়ুনিটকী কে কেনেনা অহানবা পোজিসন, কে এফ এ য়ুনিটকী এন বেনসননা অনীশুবা পোজিসন, কে এফ এ য়ুনিটকী এন মনিশনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

কেদেট বোইজস ফোইল ইভেন্টতা কে এফ এ য়ুনিটকী কে ঐচ য়াইফবনা অহানবা, কে এফ এ য়ুনিটকী ও দেনিশনা অনীশুবা অদুগা এস দব্লিয়ু সী য়ুনিটকী সী ঐচ রোনেলনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

কেদেট গর্লস ঈপী ইভেন্টতা কে এফ এ য়ুনিটকী কে চন্দ্রিকানা অহানবা, কে এফ এ য়ুনিটকী এন জেনিতানা অনীশুবা অদুগা এস এ য়ুনিটকী এস বেবিচানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

কেদেট গর্লস ফোইল ইভেন্টতা ৱাই দি ও য়ুনিটকী দয়ারানিনা অহানবা, কে এফ এ য়ুনিটকী জেসিকানা অনীশুবা অদুগা এস এ য়ুনিটকী টি ঐচ সোফিয়ানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

কেদেট গর্লসকী সেবর ইভেন্টতা কে এফ এ য়ুনিটকী এস রেবিকানা অহানবা অদুগা এল কে ৱাই দি এ য়ুনিটকী এন মারিয়ানা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

অহানবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা আই ঈ দি এফ এগী প্রসিদেন্ট দব্লিয়ু রঞ্জিৎ, দিৱাইএস ও ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাই বোনি, পি দব্লিয়ু দিগী চীফ ইঞ্জিনিয়র রিটয়র্দ এম লোকেননা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# ওভরওল চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবা মরিংমৈ কেসোরজিৎ হরাও তরাম্না ওকখ্রে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচএনএস): তাকয়েল কোলোম লৈকায়গী কম্যুনিতি হোলদা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৯দা পাঙথোকখিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট মেন ফিজিক কম্পিটিসন্দা ওভরওল চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবা পেত্রিওটস জিম তখেল্লম্বম লৈকায় অমদি অপূনবা ফিটনেস ক্লান, শিংজমৈ চীংঙামখাগী শান্নরোয় অরিবম মরিংমৈ কেসোরজিৎ ওকপগী থৌরম অমা ঙসি অপূনবা ফিটনেস ক্লান, শিংজমৈ চীংঙামখাদা পাঙথোকখ্রে।

ওভরওল চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবা কেসোরজিৎ হিয়াংথাং কবুই খুলদা লৈবা মরিংমৈ বাবুগী মচানুপানি।

থৌরম অদুদা এম পি টি সীগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর শ্রী অকোইজম জলাজিৎ, শক্লাইরবা ফিল্ম মেকর বিমোল ফিবৌ অমদি পেত্রিওটস জিমগী ফাউন্দর তখেল্লম্বম সোমোরজিৎনা চীফ গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াদুনা অচম্বা মনা-মথুম য়েন্থোকখ্রে হায়না অপূনবা ফিটনেস ক্লান, শিংজমৈ চীংঙামখাগী মেনেজিং দিরেক্টরনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

# খো-খোগী ত্রায়ল সেলেক্সন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচএনএস): গুজরাটকী সুরটতা ওক্টোবর ১৯দগী ২৩ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩০শুবা জুনিয়র নেসনল (বোইজ এন্দ গর্লস) খো-খো চেম্পিয়নশিপ ২০১৯-২০দা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী টিম শেম্নবা ওক্টোবর ২গী অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা বাসু গ্রাউন্দ খাঙবোক্তা ত্রায়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোল্লগনি। মরম অসিনা মরী লৈনবা ক্লব/য়ুনিটশিংদগী নুপামচা অমসুং নুপীমচা শান্নরোয়শিং থারক্নুনা এন আই এস কোচ কে ঐচ ইমো অমদি এম মঙলেমদা রিপোর্ট তৌনবা খঙহল্লক্লি।

# অনৌবা শগোল লৌরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচএনএস): মণিপুর ইক্বেষ্ট্রিয়ান এসোসিএসননা ইন্দিয়ান আর্মিদা ট্রেন তৌরবা শগোল ৬ লৌরগনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে। ন্যু দিল্লিগী অসোক ওদিটোরিমদা পাঙথোকখিবা ৫৮ শুবা ইক্বেষ্ট্রিয়ান ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী এন্যুয়েল জেনরেল বোদি মীফমদা মণিপুরীগী ওইনা ইন্দিনান আর্মিনা ট্রেন তৌরবা শগোল ৬ অহোংবা মমলদা পীরক্কনি হায়বগী থাজবা পীখিবনি।

মোইরাংথেম ইবোবী মেমোরিএল ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০

# ঈ এস য়ুনা অংথা এফ সীবু পাঞ্জল ৬-০দা থোইখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা মোইরাংথেম ইবোবী মেমোরিএল ইম্ফাল ইষ্ট ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ঈ এস য়ুনা অংথা এফ সীবু পাঞ্জল ৬-০দা থোইখ্রে। অদুগা এ বি এ অমসুং সী এস সী পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা মোইরাংথেম ইবোবী মেমোরিএল ইম্ফাল ইষ্ট ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী অহানবা গ্রাউন্দদা ঙসি এ বি এ অমসুং সী এস সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবগা টিম অনীনা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। মেচকী ১২শুবা মিনটতা এ বি এগী শান্নরোয় মংলেম্বা জর্সি নম্বর ১৭না অহানবা একাউন্ট হাংখি। সী এস সীগী মায়কৈদগী মেচকী ৩৫ প্লস ৱান চৎপদা একাউন্ট হাংদুনা মেচ অদু ১-১দা লৈহনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীনা মখা তানা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরবসু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা ঙম্নদবদগী মেচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা অংথা এফ সী অমসুং ঈ এস য়ু লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা ঈ এস য়ুনা তকখায়দুনা শান্নখিবনা অংথা এফ সীবু পাঞ্জল ৬-০দা মায়থীবা পীখি। ঈ এস য়ুগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু থাংবার জর্সি নম্বর ১০না মেচকী ১৬শুবা, ২৫শুবা অমদি ৭০ প্লস টু চৎপা মিনটতা পাঞ্জল ৩, হেমাম জর্সি নম্বর ২৩না মেচকী ১৯শুবা অমদি ৫৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ অদুগা রাজদন জর্সি নম্বর ২২না মেচকী ৪৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখি।

# এন ৱিলসনন‌া গোল্ড ফংবদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি




ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচএন এস): কর্নাটাকাগী বেঙ্গলুরুদা পাঙথোকপা ১০ শুবা এসিয়ন এগ গ্রুপ স্বিমিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী দাইভিং ইভেন্টতা নিংথৌজম ৱিলসনন‌া গোল্ড মেদল ফংলকপদা কোংবা ষ্টুদেন্টস ক্লবকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা নিংথৌজম ৱিলসনন‌া মিটর ১০গী সিনক্রোনাইজ দাইভিং ইভেন্টতা পোইন্ট ২৯০.১৯ ফংদুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

পনবা য়াবদি মহাক্না মিটর ৩গী সিনক্রোনাইস ইভেন্টতসু পোইন্ট ২১৭.২৬ ফংদুনা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

কোংবা ষ্টুদেন্টস ক্লবকী মায়কৈদগী হৌজিক হৌজিক পুনেগী আর্মি স্পোর্টস ইন্সটিট্যুটতা লৈরিবা ৱিলসনবু মখা তানা মায় পাকপা হায়না থৌনখি।

ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯

# এস এল ৱাই ও তেকচম অমদি ৱাই দি সী খোইরোম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা চাওয়াইমা হায়র সেকেন্দরি প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এস এল ৱাই ও তেকচম অমদি ৱাই দি সী খোইরোম মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা এস এল ৱাই ও তেকচম অমসুং পি এ এল ৱাই সী লম্বা তৌনখি। লম্বা মান্ননা শান্নখিবা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এস এল ৱাই ওনা পি এ এল ৱাই সীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি। এস এল ৱাই ওগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু এস জেনসন জর্সি নম্বর ১০না মেচকী ৬১শুবা মিনটতা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই দি সী খোইরোম অমসুং ঈ এল ৱাই এস এ ফৌদেল লম্বা তৌনখি। লম্বা হায়রপ মান্ননা শান্নখিবনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ৱাই দি ওনা ঈ এল ৱাই এস এবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

ৱাই দি ওগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু ৱাই বিকে জর্সি নম্বর ২৩না মেচকী ২৫শুবা অমদি ৪৭শুবদা পাঞ্জল ২ অদুগা এস গোবিনচন্দ্র জর্সি নম্বর ২২না মেচকী ৪৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখি। মায়থীহৌরবা ঈ এল ৱাই এস এ ফৌদেলগী পাঞ্জল অদুনা এম দি অলটাব শাহ জর্সি নম্বর ৩ অমসুং এম দি নিসার অহম্মদনা মেচকী ২৪শুবা অমদি ৩২শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অহুমশুবা দিভিজন লীগ ২০১৯ ককচীং

# এস দি ও পল্লেলনা এল এম এল সী এস লাংমৈদোংবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা দি এস এ ককচীংগী প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা অহুমশুবা দিভিজন লীগ ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস দি ও পল্লেলনা এল এম এল সী এস লাংমৈদোংবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।



তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা অহুমশুবা দিভিজন লীগ ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ৯শুবা মেচ ওইনা এস দি ও পল্লেল অমসুং এল এম এল সী এস লাংমৈদোং লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফকী ৪শুবা মিনটতা কে ঐচ অশুটোশ জর্সি নম্বর ৬না মহাক্কী টিমগী একাউন্ট হাংখি। মেচকী ৪০ প্লস টু চৎপা মিনটতা টিমমেট সন্দিপ জর্সি নম্বর ১২না অনীশুবা স্কোর তৌদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মেচ অদু ২-০দা মাঙজিল থাহনখি। অনীশুবা হাফতা এল এম এল সী এস লাংমৈদোংগী মায়কৈদগী মেচকী ৭৫শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় ৱাইপকাজাও জর্সি নম্বর ১৭না পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-২দা অমুক লৈহনখি। অদুবু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা মখোয়গী শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি।

# কম্মনৱেলথ জুদোদা মেদল লৌরকখ্রবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং ওকখ্রে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচএন এস): য়ুনাইটেদ কিংদমগী ব্রিমিংগমদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেলথ জুদো চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুবা মেদল ফংলকখ্রবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং ঙসি ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা ওকখ্রে।

প্রি কেদেদ কেটেগোরিদা শরুক য়াখিবা হুইদ্রোম রিসিকান্তা, মাইবম রাজেন্দ্রো, মুতুম রোসিবিনা অমসুং ইরেংবম কলপনানা ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্ট য়ৌরকপদা ময়াই লন্বী স্পোর্টস একাদেমি ময়াং ইম্ফাল, মণিপুর জুদো এসোসিএসন অমসুং ময়াং ইম্ফালগী য়াল্লবা মীয়াম্না হরাও তয়াম্না ওকখ্রে।

কম্মনৱেলথ জুদো চেম্পিয়শিপ অদুদা হুইদ্রোম রিসিকান্তনা কে জি ৪২গী প্রি কেদেদ কেটগোরিদা গোল্ড ফংখি। মাইবম রাজেন্দ্রেনা কে জি ৫৫গী কাংলুপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

অমরোমদা নুপীগী কাংলুপ্তা মুতুম রোসিবিনানা প্রি কেদেদ কেটেগোরিগী কে জি ৪৪গীদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। কে জি ৬৩গী কাংলুপ্তা ইরেংবম কলপনাসু গোল্ড লৌবা ঙমখি।

ঙসি ওকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর জুদো এসোসিএসনগী সেক্রেটরী এল ইন্দ্রকুমারনা হায়খিবদা ইন্দিয়াগী টিমনা কম্মনৱেলথ কম্পিটিসন অদুদা ২শুবা পোজিসন তাখিবা অদুদা মণিপুরগী শান্নরোয়না গোল্ড ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ লৌখি।




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com